**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-12-2025)**

**রাস্ত্রপতি (এল)ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, নুমিৎ নিনিগী মনিপুর খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরগনি।

রাস্ত্রপতিনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈগী ইগজিবিসন মেটচ য়েংগনি। মসিগী তুংদা, মহাকা মনিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগা লোক ভবনদা ৱারী শান্নগনি।

নুংথিলদা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতিনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। রাস্ত্রপতিনা থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অকাশবানি ইম্ফালনা লাইফ তৌদুনা শন্দোক্কনি। ইম্ফালদা অহিং অমা য়ারেল্লবা মতুং রাস্ত্রপতি-মুরমুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৮৬ শুবা নুপী লাল থৌরমদা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্সতা লৈখিদ্রবা ইমাশিংগী মফমদা লৈ কৎকনি। তুংদা, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি। মসিগী মতুংদা হেলিকোপ্তরনা রাস্ত্রপতি সেনাপতি চৎখিগনি। রাস্ত্রপতিনা মফম অদুদা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, সেনাপতি মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ভারতকী ১৫ শুবা রাস্ত্রপতি হেক ওইরকপদগী মনিপুরগী খোঙচৎ অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। রাস্ত্রপতিগী মনিপুর খোঙচৎকী য়েংলগা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং হোজং শাবা অমদি অকে-অমৌগী থবকশিং পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা চেকশিন থৌরাংগী থবকসু

কনখৎলে। মরুওইনা থৌরম পাঙথোকফমশিং, ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং অমসুং সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী অকোইবদা চেকশিন থৌরাং কনখৎলে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ফুবালা মমাং পাৎতোনগী অকোইবদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা এস.এল.আর. অমা, এস.বি.বি.এল. অনি, পিষ্টোল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেটর অমা য়াওনা নোংমৈ মরু কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খুম্মন লম্পাক আই.এস.বি.টি. মনাক্তগী কে.সি.পি. (এম.সি. প্রোগ্রেসিব) গী মীওই অমা ফারে।

**মেলা(এল)ঃ** নুমিৎ ১৫ নি চত্থগদবা ৱিন্টর মেলা, চান্দেল জিলাগী জাফৌ বজার ওল্ড মার্কেটতা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

জাফৌ বজার য়ুথ ক্লবনা শিনদুনা 'ব্রিগংপাঙথোকপা মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা চান্দেলগী এস.দি.ও. অনুনৈ অন্দ, দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনাল মীতৈ অমসুং মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন-জে.এস. অঙম শরুক য়াখি। মেলা অসিদা চান-থকবা পোৎলমশিং, ফিরোলনচিংবা তোঙান তোঙানবা অকে-অমৌগী পোৎলম কয়া য়োল্লি।

**ককচিং(এল)ঃ** তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন থ্রি পোইন্ট জিরোগী মতাংদা ককচিং জিলাদা ঙরাং তোবেকো ফ্রি ভিলেজ ইনিসিয়েটিবকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ককচিংনা শিনদুনা জিলা অসিগী লাংমৈদোং পঞ্চায়ট ঘরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী মীওই ৩০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং চাবনা হকচাংদা শোকহল্লিবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**অমিতঃ** লৈবাক অসিদা হৌজিক চথরিবা স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গী থবক থৌরমবু গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা শৌগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়-এস.আই.আর. অসি ইলেক্সন কম্মিসনগী মথৌনি অমদি মসিগী মরুওইবা থবক্তি ইলেক্তোরেল রোলবু নিয়ম চুমা থম্বা হায়বসিনি। লোক সভাদা ঙরাং বিরোধিনা এস.আই.আরগী মতাংদা শিরক্লিবা মরালশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং শেংদোক্লদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-রাজনিতি দল খরনা এস.আই.আরগী মতাংদা অরানবা প্রচার কয়া শন্দোক্তুনা লৈবাক অসিবু, সরকার অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে।

মহাকা হায়-ইলেক্সন কম্মিসন অসি সরকারগী মখাদা থবক তৌবা নত্তে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা আইনগী ৱাংমদা চংশিল্লকপা মীওইশিং মীখলদা ভোট থাদবা য়াহল্লোই।

**ইসিঃ** স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন পাঙথোক্লিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১২ গী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা বুথ লেবেল এজেন্টশিংদা বুথ-বুথকী ওইবা ইলেক্তোরেল লিষ্টশিং ফংহন্নবা খঙহনখ্রে।

কম্মিসননা হায়-রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১২ গী বুথ লেবেল ওফিসার লাখ ৫ রোমনা বুথকী ওইবা মীফমশিং পাঙথোক্কনি। মসিগী মথক্তা বুথ

লেবেল এজেন্ট লাখ ১২ হেনবগী ওইনসু মীফমশিং পাঙথোক্কনি। কম্মিসননা হায়-দ্রাফট ইলেক্তোরোল ফোংলবা মতুং লিষ্টশিং অসি সি.ই.ও. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংগী ৱেব সাইটতা অপলোদ তৌগনি।

**রাজ্যঃ** বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগী কুমওন থৌরম রাজ্য সভাদা ঙসি খন্নদুনা লোয়শিল্লগনি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং সভাগী লুচিংবা জে.পি. নদ্দানা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি। মসিগী মতুংদা রাজ্য সভানা ইলেক্সন রিফোর্মসকী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী মনিপুর খোঙচৎ, ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ডে পাঙথোকখিবা অমসুং ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ফ্লাইট সার্ভিসশিং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিনবগী তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-অথিংবা কয়াগী মরক্তা প্রসিদেন্ট-দ্রৌপদি মুরমু ঙসি ইম্ফালদা থুংলরগনি। নুপীলালগী থৌরম য়াওনা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গারবা য়ারি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

খামেনলোক চীংথক্তগী কুকিশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপথখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতৈশিংনা হায়ৰেদা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রিবা অসিগী মতাংদা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলকপা লৈত্রি হায়না মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসনগী এক্তিং চেয়ারমেন-কাংজম খগেন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী

অহানবা লামাইদা ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী মখাদা অনৌবা এল.পি.জি. কন্নেক্সন পীখিবশিংগী লিষ্ট রাজ্য সরকারগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসননা লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ফ্লাইট সার্ভিসশিং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগীদমক চেং মেত্রিক টোন লিশিং ২৬,৯৪৬ য়েন্থোকখ্রে হায়না মিনিস্তর ওফ ষ্টেট ফোর মিনিষ্ট্রি ওফ কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না লোক সভাদা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটসনা শিনদুনা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ হ্যুমেন রাইটস পাঙথোকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী খোঙচৎকা মরী লৈননা শেম শাবা অমসুং চেকশিন থৌরাংগী থবক লৌখৎলে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।